HURRY OFFER LIMITED
TATA SKY
NEW CONNECTION ONLY AT
₹ 1600/-
PAY LESS THAN CABLE
PACKAGE STARTS AT ₹. 99
DAILY RECHARGE OPTION
SMS YOUR NEW SUBSCRIBER ID TO
9612916839
GET A CHANCE TO WIN 6 MTH PACKAGE
PL. VISIT TO YOUR NEAREST DEALERS
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক

www.sanaleibak.in



মণিপুরদা ২০১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী ট্রায়েল ইলেক্সন অমনি হায়না লৌনরিবা নগর পঞ্চায়েট অমদি ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলশিংগী মীখলদা মশাগী অপাম্বা মীরেপ খল্লিবীশিং



TATA SKY (1[st] JAN TO 8[th] JAN) GR.
TATA SKY
LIST OF 1ST LUCKY DRAW WINNER
PRIZE : 6 MONTHS RECHARGE FREE

| CUSTOMER ID | NAME |
|---|---|
| 1175260650 | SOMENDRO |
| 1175615101 | SEHAPU |
| 1175097862 | KADAIGEILIEU |
| 1175263845 | KHERODA DEVI |
| 1175409794 | VIKRAM SINGH |
| 1174420982 | NAOBA |
| 1175582608 | SANATHOI |
| 1175011236 | THUMPA WS |
| 1175281011 | YAMUNA |
| 1175029832 | NASIRUDIN MD |

VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

ঙসিগী অঙৈং–অশা : শাবগী চাং ঃ ২৩° সি | ঈংবগী চাং ঃ ৩° সি | নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ঃ ২৩ | নোংজুগী চাং : ০ এম এম | IMPHAL, TUESDAY, 12 JANUARY 2016 লৈবাকপোকপা , ৱাকচিংগী ৩ | e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com | RNI Regd. No. 31350/77 | Volumn No: 42 Issue: 51 Page : 8 | Price: ₹ 3.00

## অহানবা কাখল

### ৱাখলগী চিঙ্গাক

থৌনা লিংজেল হায়বসিনা মীওইবগী খ্বাইদগী অথোইবা গুননি। মরমদি মসিনা অতৈ পূম্নমক ওইহল্লকপগী মচাক ওইহল্লি

## ন্যুক্লিয়র পাৱর ষ্টেসন এটেক্ট তৌবদা টেরোরিষ্টশিংনা ড্রোন বোম শীজিন্নরক্কদৌরি

ৱাশিংটন, জনুৱারি ১১ ঃ টেরোরিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী ন্যুক্লিয়র পাৱর ষ্টেসনশিংদা ড্রোন বোম শীজিন্নদুনা এটেক্ট চথরকপা য়াই। মদুদা নত্তনা প্রাইম মিনিষ্টরশিংগী কারদসু চপ মান্নবা খুৎলায় অদু শীজিন্নরকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

হীরম অদুগী মতাংদা ওক্সফোর্ড রিছর্স গ্রুপনা থিজিনবদা ড্রোন ২০০ হেনবনা লম অদুদা শীজিন্নরকপা য়াই। খুৎলায় অদু শীজিন্নবদা ইচম চম্বা অমসুং লায়না শীজিন্নবা য়াবনা অমাঙ অতা থোকহনবা য়াবা এক্সপ্লোসিব দিভাইস হাপচিন্দুনা এটেক্ট চথরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে।

যুকে সরকার, পুলিস, মিলিটরি অমসুং সেক্যুরিটি সার্ভিসনা খুদোং থীবা অদু লাকশিন্নবা অনৌবা থৌশিল অমা পায়খৎপা তঙাই ফদে হায়না সেক্যুরিটি থিঙ্ক টেঙ্কনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিং তোঙান তোঙানবা মখলগী ড্রোন শীজিন্নবনা এটেক্ট চথ–বা ঙম্বগী শক্তি লৈ। যুএসকী ৯/১১ এটেক্টকুম্না শাথিবা মখলগী এটেক্টশিং চথরকপা য়াই। ড্রোন শীজিন্নবদা লাইসেন্স পীবা য়েংশিনবা লেজর অমসুং রেডিও জ্যার্মরশিং শীজিন্নদুনা ড্রোন এটেক্ট চথরকপদগী ঙাকথোক্নবা চৎনপথাপশিং শেম্বা তঙাই ফদ্রে। মদুনা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ড্রোনশিং কাপথবগী খুদোংচাবা ফংগনি। মমাঙদা ড্রোন শীজিন্নদুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা থেংনখ্রে। মদুগী মনুংদা অলভানিয়া অমসুং সার্ভিয়াগা শান্নখিবা ফুটবোল মেটচ অমদা ড্রোন শীজিন্নদুনা অলভানিয়াগী ফিরাল ফিল্ডগী অকোয়বদা পায়হন্দুনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনখিবা লৈখি হায়রি।

## লোইরেদনা




## হেক্তা হায়জিনবা

- অকনবা য়ুহার হাবা অমা লৈ হায়দাই।
- হায়নৈনে এক্সপার্টনা হায়বনি হায়দনা ?
- দাওদি য়াইকো ঐখোয়সে।
- হা করি হায়বা ?
- হেরা ঐনা হায়দি ঐখোয়গী থবক ৱাৎলরোই হায়বগী ৱানিদা।
- করি থবক ?
- ঐখোয়না লৈঙোই চামদনা ৱীলামাতি য়াওদনা শাখিবা য়ুমশিংদু হন্দক্কী খিৎতং নিকপদুদা লোয়না তুখ্রেদনা।
- অদু কৈদৌরবা ?
- অদু শেমজিনবগী থবক অমুক ফংলনি। অদুদসু হান্নগী অদুমাইনা অদুম শারদি মথংগী অকনবা য়ুহার হাবা অদুদদি হেন্না থবক ফং লোইদ্রো ?
- নঙগীদুসু খন্নবদি য়াই হায়ববু নঙসু য়াওখ্রদি কমদৌবা
- হা, অদুদি থাজদেহে

### ষ্টেটসিগী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ১৮ অমসুং নগর পঞ্চায়ট ৮গী মীখল পাঙথোকখ্রে

# মফম খরদদি পামদবা থৌদোক খরা থোকখি

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ১১ ঃ মণিপুর তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মরিদা লৈরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ১৮ অমসুং নগর পঞ্চায়েট ৮গী কাউন্সিল্লর ২৬৯ খন্নবা মীখল ঙসি থৌদোক মচা মচা খরা থোকপা নত্তনা শান্তি ওইনা পাঙথোকখ্রে।

অকনবা সেক্যুরিতিগী ঙাকশেলগী মরক্তা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৬ অমসুং নগর পঞ্চায়েট ১গী মীখলদা ভোটর চাদ ৯০ গী চাং য়ৌনা ভোট থাদনখি হায়রি।

জিরিবামদনা চাদ ৭৭.৮৪ গী চাং য়ৌনা ভোট থাদনখি হায়রি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৮দা ভোটর চাদ ৮৫ দগী ৮৮ ফাওবা অমসুং হৈরোক নগর পঞ্চায়টতা চাদ ৯৫গী চাংদা ভোট থাদনখি হায়রি।

মীখল অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেকমাই নগর পঞ্চায়েটতা চাউরাক্লা ভোটর চাদ ৮৮, লমশাং নগর পঞ্চায়েটতা চাদ ৯৩গী চাংদা ভোট থাদনখি হায়রি। লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্টতা লল্লাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা চাদ ৯৪ অমসুং অন্দ্রো নগর পঞ্চায়েটতা চাদ ৯০গী চাংদা ভোট থাদনখি হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ঙসিগী মীখল অদুদা অপীক অপীকপা থৌদোক খরা নত্তনা চাউনা য়েংবদা মীখল অদু শান্তি ওইনা ভোট থাদনখি। মীয়াম্না অঙনবা মতমদগী হৌদুনা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মমাঙদা পরেং লেপ্তুনা ভোট থাদনবা ঙায়দুনা লৈনখি।

থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সি–লগী ৱার্দ নম্বর ৫দা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা মীখল থেংনরিবা এ মঞ্জুরি কৌবী অমনা ঙরাং নুমিদাং পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৫। ২–এল এম হায়স্কুলদা মাইবীগা লোয়ননা লাই খুরুমদুনা লাইশোল তিনশোল তৌশিল্লি হায়বগী ৱাহৌদা অতোপ্পা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ টি ঐচ শামো কৌবা অমগী সপোর্টরশিংনা নুঙনা থাজিল্লকপদগী মঞ্জুরি অমসুং মাইবী অদু মনাক নকপা য়ুম অমদা চেনশিল্লগা লোৎখিবদগী মীয়াম্না য়ুম অদু মৈ থানবা হোৎনরকখি। অদুম ওইনমক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি এন মধুনিমাই মশা লাক্তুনা ইরাং অদু লাকশিনবদগী পামদবা থৌদোক থোকহন্দনা লোইশিনখি।

মখা তানা ঙসি অয়ুক মফম অদুগী মীয়াম্না লাইশোল তিনশোল তৌশিনবা পোল্লিং ষ্টেসন অদুদা ভোট থাদরোই, অতোপ্পা মফম অমদা পোল্লিং ষ্টেসন হোংগদবনি হায়না ঈহৌ শাগৎলকপদগী দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দিপ্যুটি কম্মিস্নার অমসুং আর ওনচিংবা ওফিসিয়েলশিং লাক্তুনা পোল্লিং ষ্টেসন অদু অথোকপম জুনিয়ার হায়স্কুলদা হোংদোক্তুনা ভোট থাদনখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ১৩। ৪ থৌবাল শাবল তোংবা ময়াই লৈকায় প্রাইমারি স্কুলদা প্রিসাইদিং ওফিসারনা সহি তৌরমদনা চৎখিবদগী নুমিদাং পুং ৫.৩০ রোম তাবা ফাওবা বেল্লোট বোক্স পুবা য়াদনা লৈখি। মদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুগী মীয়াম্না ইরাং শাগৎলকপদগী পুলিস লাক্তুনা মীয়াম অদু লাকশিনখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৬তা অপুনবা ভোটর মশীংগী চাদা ৭০.৯৮না ভোট থাদদুনা খ্বাইদগী চাং নেম্না ভোট থাদবা ৱার্দ ওইখি হায়রি। মীখল অসিদা লিল্লোং (থৌবাল) ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩।১দা নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তাবা ফাওবা ভোট থাদনখি হায়রি।

মীখল অসিদা ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৬কী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৬/১ কোঞ্চাক মখা লৈকায়দা ভোট থাদবা লাকপা আর কে দারা (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা জিলাসনা কৌবা কোঞ্চাক ময়ায় লৈকায়দগী মীওইনা গাড়ী খাম্বগী ৱাহৌদা ৱার্ক্স মিনিষ্টরগী মনাও নীপানা নোংমৈনা নল্লগা মহাক্কা লাকমিন্নবা মীওইশিংনা ফুরম্বদগী চরাংনবা থোকখি হায়রি।

ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিগী ৱার্দ নম্বর ১০গী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ১০। ১ বেঙ্গুন হায়স্কুলদা ভোট থাদবা লাকপা নুপীমচা অমা এজেন্ট অমনা খুৎপাক্লা থারুবদগী চরাংনবা থোকখি। অদুম ওইনমক পুলিসনা মতম চানা চংশিল্লক্তুনা

... মখা লমায় ৫দা




## কাউন্সিল অমসুং নগর পঞ্চায়ট ১৪ হেন্না মায় পাক্কনিঃ বেজেপি

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ১১ ঃ ঙসি ভোট থাদনখিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ১৮ অমসুং নগর পঞ্চায়ট ৮গী মীখল অসিদা বি জে পিনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ১০ অমসুং নগর পঞ্চায়ট ৪ দগী তাদনা সাসন পায়রগনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈ হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন এম অস্নিকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মীখল অসিগা মরি লৈননা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহাক্লা হায়, ঙসি পাঙথোক্লিবা মীখল অসি য়াম্না অরুবা মীখল অমনি। মীখল অসিদা থৌদোক মচা মচা খরা নত্তনা চাউরাক্লা য়েংবদা মীখল শান্তি ওইনা পাঙথোকখিবগী পাউ ফংই।

মীখল অসিদা বি জে পিনা সাসন পায়গনি হায়না পারিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং নগর পঞ্চায়টশিং অদুদি নম্বোল, নিংথৌখোঙ, মোইরাং, কুম্বি, ককচিং, ককচিং খুনৌ, ময়াং ইম্ফাল, সেকমাই, বিষ্ণুপুর, সিং–খাঙ সেকমাই, সেকমাই, হৈরোক, শামুরৌ, থোংখোঙ লক্ষ্মি বজার, ওইনাম অমসুং লিল্লোং ইম্ফাল ৱেষ্টনচিংবনি।

ঙসিগী মীখলদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লুচিংবশিংনা তোঙান তোঙানবা টিমশিং শেমদুনা কোয়না চত্তুনা য়েংশিনবা মতমদা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ১০ অমসুং নগর পঞ্চায়ট ৪ দগী তাদনা বি জে পিনা সাসন পায়রগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়খি।

মীখল অসিদা কংগ্রেস পার্টিনা মনি পৱার, মসল পৱার শীজিন্নদুনা ভোটরশিং ফানবা হোৎনরবসু প্রজাশিংনা মদুদা থাজবা থমদনা অপাম্বা মীহুত্তা ভোট থাদনখিবনা কংগ্রেসকী থৌরাং মায় পাক–খিদে। মসিমক মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়খি।

মীখল অসিদা মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা কংগ্রেসনা মীয়াম কিহন খঙহনবগী থবক চথবগী থৌদোক থোকখিবা অসিমক লাইবক থিবনি। লোয়ননা মখোয়না হোৎনরিবা পুম্নমক অদু অরেম্বদা তাহনখ্রে।

মীখল অসিদা মীয়ামনা বি জে পিগীদমক লেপ্পিরকপা অসি য়েংলগা ইং ২০১৭তা মণিপুরদা অচৌবা রাজনিতিগী অওনবা অমা লাক্কনি হায়বগী থাজবা চপ চানা লৈরে।

মীখল অসিবু শান্তি ওইনা পাঙথোক্নবা হোৎনবদা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসিয়েলশিং, দি সিশিং অমসুং সেক্যুরিতিগী মীওইশিংবু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়খি।

## মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগী মতাংদা মীয়ামগী ওইবা মীফম

এন এন এস

ইম্ফাল, ১১ জনুৱারী ঃমৈতৈ/মীতৈবু ভারত সংবিধানগী আর্টিকল ৩৪২ (১) গী মখাদা সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা অথুবা মতমগী মনুংদা চলহন্নবগী করম্বা খোঙথাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা মীয়ামগী নোংমগী ওইবা খন্ন–নৈবগী মীফম অমা থাসিগী ১৭ তা থাংমৈবন্দদা লৈবা থাউ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরি।

সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কমিতি, মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা কমিতি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী রিটায়ার্দ কেলোনেল লাইশ্রম লোকেন্দ্রোনা হায়, কমিতি অসিনা শিল্লগা পাঙথোক্কদৌরিবা মীয়ামগী ওইবা খন্ন–নৈনবগী থৌরমসিদা লৈকাই–লৈকাইগী ক্লব, মৈরা পায়বীশিং অমদি প্রজা সেক্সন খুদিংমক্লা শরুক য়াবিয়ু। মৈতৈ মীতৈবু তুংগী মীরোল কন্নবগী খোঙথাং অমা ঙসিগী মীরোলনা লৌখৎহৌবা চুমগনি। মীতৈ হায়বা ফুরুপ অসি ট্রাইব ওইরম্মী। ইং ১৮৯১ গী সেন্সসনসু মণিপুরীশিংসি ট্রাইবনি হায়রি। মসিদসু নত্তনা ইং ১৯০১ গী প্রোভিন্স ওফ অসামনা মীতৈ অসি মণিপুরীগী মেন ট্রাইবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈ।

মীতৈ অসি ট্রাইব ওইরবদি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মখাদা সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহনবিনবা কমিতি অসিনা ইং ২০১২ দগী খোঙজং কয়া চঙশিলক্লি। হিরমগী মতাংদা ষ্টেট গভর্নমেন্টগী মফমদা মেমোরেন্দম পীশিনখিবা লৈরবনি। মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরগা কমিতিগা হিরমসিগী মতাংদা ৱারী শান্নবগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী খুদোংচাবা অদু পীদদুনা লাকপনি। খঙহৌদনা হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ১৫ দা চিফ মিনিষ্টরগা কমিতিগা উন্নদুনা ৱারী শারে। কমিতিগী

... মখা লমায় ৫দা

## ‘পঠানকোটকী এটেক্ট পাকিষ্টানদগী প্লান তৌখিবনি হায়বা পাকিষ্টান্না য়াজখ্রে’

রাঞ্চি, জনুৱারি ১১ ঃ মমাঙদগী চথরকপা থৌওং কয়াদা পাকিষ্টান্না ইণ্ডিয়াগী লৈমায়দা চথখিবা এটেক্ট কয়াদা মখোয়গী খুৎ য়াওদে হায়না ফোঙদোকখ্রবসু হন্দক পঠানকোটতা চথখিবা টেরোরিষ্টশিংগী এটেক্ট অদু পাকিষ্টানদগী প্লান তৌখিবনি হায়বসি লৈবাক অদুনা অহানবা ওইনা মরাল য়াজখ্রে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মুখটর অবাস নকবিনা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

মওং অমরোমদা, হন্দক্কী থৌদোক অদুদা মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্লা ইণ্ডিয়াগী মায়কৈদা লেপখিবনি অমসুং মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক কয়াদা মরাল শীবা কয়া লৈখ্রবসু টেরোরিষ্ট এটেক্টশিং অদু মখোয়গী লৈমায়দা প্লান তৌখিবনি হায়বা য়াখিদবা পাকিষ্টান্না হন্দক্তি টেরোরিষ্ট এটেক্টশিং অদু মখোয়গী লৈবাক্তগী থোকহনখিবনি হায়বসি মরাল য়াজখ্রে হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়র্সকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট মুখটর অবাস নকবিনা রাঞ্চিদগী কিলোমিটর ১৮ রোম চৎলগা লৈবা কুটেদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা ফোঙদোকখি।

পঠানকোট টেরর এটেক্ট অদু থোকহনখিবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌনবা মোদি সরকারনা ইস্লামাবাদতা খঙহনখিবা লৈখ্রে অমসুং হৌজিক্তি মতিক চাবা পাউখুম অমা পীরক্ত্রিবা ফাওবা লৈঙাক অসিনা তুমিন্না লৈথোক্লোই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

লৈবাক অসিগী মায়োক্তা অকায় অতোই কয়া থোকহন্নবা শিল্লকপা মীওইশিং অদুগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌগনি অমসুং লৈবাক অসিগী শান্তি থুগায়নবা নত্ত্রগা লৈবাক অসিনা পাল্লিবা থৌশিং অদুগী মায়োক্তা লাকপা খুদিংমক অসি চপ চানা থেংনগনি হায়না পার্লিয়ামেন্ট এফিয়ার্সকী মিনিষ্টর অদুনা ফোঙদোক্লদুনা লৈবাক অসিগী চেকশিন থৌরাংগী থবক অসি কনাগুম্বা

... মখা লমায় ৫দা

## অনৌবা ইলেক্তোরেল রোল লাক্কদৌরিবা ২০১৭ গী জেনরেল ইলেক্সনদগী শীজিন্নগনি ঃ ও নবকিশ্বর

ইম্ফাল, জনুৱারি ১১ ঃ মণিপুরগী অনৌবা ইলেক্তোরেল রোল ফোঙলে। খ্বাইদগী নকপা ওইনা মথং চহী ২০১৭দা পাঙথোক্ক–দৌরিবা মীখলদা শীজিন্নবা হৌরগনি হায়না মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরীনা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপারাগী ওল্ড সেক্রেটরী–য়েটতা লৈবা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরীগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা চীফ সেক্রেটরী ও নবকিশ্বরনা হায়, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা (ই সি আই) হায়রকপা মতুং ইন্না মণিপুরগী ইলেক্তোরেল রোল, স্পিসিয়েল সমরি রিভিসন অসি চৎলিবা থা অসিদা ক্বালিফাইয়িংগী মতম ওইদুনা ষ্টেটসিগী ইলেক্সন দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা ফোঙবনি। দ্রাফ রোল অমা মমাং চহীগী ওক্তোবরদা ফোঙখি। মদুদা ই সি আইনা অয়াবা পীরকপগী মতুং ইন্না ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল অসি ঙসি ফোঙবনি।

ঙসি ফোঙলিবা ইলেক্তর রোল অসিদা য়াওরিবা নুপাগী মীশিংনা ৮৯৫৯৫৭ নি, নুপীগী মীশিংনা ৯৩১০০৫ নি অদুগা অপুনবা মীশিংনা ১৮২৬৯৬২ নি। হান্নগী ইলেক্তর রোলদগী ঙসি নৌনা ফোঙলিবা ইলেক্তর রোল অসিদা ভোটতর মশীং ৩৯৬১৮ হেনগৎলকই।

ফাইনেল ওইবা ইলেক্তর রোল অসি শেম্নকপদা তোঙান তোঙানবা মীওইগী মমিং ককপা য়াওখি। ককখ্রবা মমিংশিংদা শিখিবদা ৫০৮৫, য়ুম হোংদোক হোংজিন তৌখিবা ৮২২৭, মমিং হঞ্জিনবা ২৯০৯ অদুগা চহী শুরমদবা ২৪নি। পুন্না মী মশীং ১৬২৪৫গী মমিং ককখ্রে।




চৎলিবা চহী ২০১৬ অসিদা লৈরিবা অপুনবা মীগী মশীং অসি ২৯৬৩৪৬৩নি। ঙসি ফোঙলিবা অসিদা য়াওরিবা অপুনবা ভোটতর মশীংনা ১৮২৬৯৬২নি। ঙসি ফোঙলিবা ইলেক্তর রোল অসি য়েংলগা ভোটতর ওইবগী চাং (রেসিয়ো) য়েংবদা মী ১০০ লৈবগী মনুংদা ৬১.৬৫গী চাংদা ভোটতর ওইরি। জেন্দর (নুপা–নুপী) রেসিয়ো য়েংবদা নুপীনা চাং ৱাংই। হৌখিবা ইলেক্তর রোলগা য়েংনবদসু জেন্দর রেসিয়োসি ৱাংখৎলকই।

হায়রিবা ইলেক্তর রোল অসি খ্বাইদগী নকপা মীখল ওইনা মথং চহী ২০১৭দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদগী শীজিন্নবা হৌরগনি। ইলেক্তর রোল অসি এস দি ও, বি আর ওগী অমসুং সি ও গী ওফিসতা লৈরে। সি ও ৱেবসাইটতসু অপলোদ তৌরগনি। মসিদা কনাগুম্বশিংনা মমিং য়াওই য়াওদে হায়বদু য়েংবা য়ারগনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন (আই ও সি) ইগজিক্যুটিব দিরেক্তর দিপঙ্কর রে অমদি ওফিসার কয়া য়াওনা লাক্তুনা মণিপুরদা পেট্রোলিয়মগী পোথোক অসি মরাং কায়না লৈহন্নবগী মতাংদা খন্না নৈনবা অমা পাঙথোকখ্রে। খন্নবা অদুদা আই ও সিগী মীহুৎ কাঙবু অদুনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না মালোমদা হৌজিক শাগৎলিবা পেট্রোলিয়মগী পোথোকশিং পেট্রোল, দিজল অমদি কেরোসিন থম্নবা টেঙ্কি অসি শাবা লোইশিলক্নে। মরম অদুনা, ওইল্ড ইন্দষ্ট্রিজস দিবলপমেন্ট বোর্দ (ওআইএসদি) গী অয়াবা লৌরগা থাউ থম্বা য়ারগনি। লাক্কদৌরিবা মার্চ থাদগী হৌরগা এপ্রিলগী অরোইবা ফাওবগী মনুংদা থাউ থন্না থম্নবা পান্দম থল্লি। চীংমৈরোংদা লৈরিবা টেঙ্কি অসিদগী হৌজিক মালোমদা শাগৎলিবা অসিনা শরুক অহুম হেন্না চাউবা হেল্লি। মসিদা থাউ থন্না লৈরবা মতমদা বন্দ, ব্লোকেদ তৌরবসু মণিপুরদা থাউগী অৱাবা অমত্তা লৈররোই।

... মখা লমায় ৫দা



### জে সি আই এল পিনা য়েলহৌমী কন্নবা মখা তাবা খোঙজং নোংমা নীনিসিদা লাউথোক্লগনি

# আইনগা মীয়াম হিংবা নত্ত্রগা শীবগা করম্বনা ফবগে ঃ রতন

এসএনএস

ইম্ফাল জনুৱারি, ১১ ঃ জে সি আই এল পি এস (জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেম) মণিপুরনা মণিপুরগী য়েলহৌমী কন্নবা খোঙজংগী মখা তাবা খোঙজং নোংমা নীনিসিদা লাওথোক্লগনি হায়না কম্মিটিগী কনভেনর ইন চার্জ কে ঐচ রতননা ফোংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি জে সি আই এল পি এস অমসুং নিউ কৈথেলমানবী ইমা মৈরা পায়বীনা পুন্না শিন্দুনা ‘সেভ ইন্দিজিনিয়স পিপলস কেম্পেইন’ হায়বা হিরমসিদা মীয়ামগা খন্ন নৈনবগী থৌরম ঙসি কৈথেলমানবী বজারদা পাঙথোকখিবদা ফোঙদোকখিবনি।

রতননা হায়খি, ত্রিপুরাগী য়েলহৌমী ওইরিবা ত্রিপুরিশিং হৌজিক মাইনোরিটি ওইদুনা ষ্টেট অদুগী সহরগী মতাইদা হিংননবা হোৎনরি। য়েলহৌমীগী মীশিং হন্থরকপসি আসামদসু চৈথেং ফংবা হৌখ্রে। য়েলহৌমী মশিং হন্থরকপগী অকিবা ফংলবা ষ্টেট অসি মণিপুরনা ইনিদয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা অহুম শুবা মফমদা লৈরে।

ইং ২০১১গী মীকোক থিবগী পাউদমদা মণিপুরদা মীতোপকি মীশিং অসি অকিবা ফংবা চাংদা লৈরম্বা থেংনরকপদগী মমাংদা চংশিনখিবা খোঙজংদগী হেন্না কনবা খোঙজং চংশিন্নবা শেম শাবা হৌরকখিবনি। থেংখাং কয়াদা তোঙান–তোঙানবা লুপশিংনা ষ্টেটসিগী য়েলহৌমী মুৎখিদনবা খোঙজং চংশিক্লি। চংশিনবা হৌখিবা খোঙজংগী মখা তাবা ওইনা জে সি আই এল পিনা মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা ইহৌ হৌবদগী মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিনা মত অমত্তা ওইনা ষ্টেটসিগী য়েলহৌমী কনবগা মরি লৈনবা বিল অহুম ২০১৫গী আগষ্ট ৩১দা পাস তৌখি।

পাস তৌখিবা বিলশিং অদুগী মরমদা ৱাখল তামিন্নবা ৱাৎপদগী মণিপুরগী চীংগী মফম মরুওইনা চুরাচান্দপুরদা অকনবা ইহৌ হৌরকপদগী মীওই মপান লৈখিদবনি। বিল অহুমদুনা মরম ওইদুনা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনদবা মানবা থৌওং থোকপসি নুঙাইতে। জে সি আই এল পি এসনা চংশিল্লিবা খোঙজংদগী ওইরক্লিবা ফিভমশিংগী মতাংদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱাখল তামিন্নবগী অপাম্বা লৈ।

হৌরিবা ইহৌ (খোঙজং) অসি মীয়াম পুন্না মত অমত্তা ওইনা সেন্টরদা কন্না তকশিনমিন্নবা মথৌ তারি। য়েলহৌমী কঞ্জনবা লৈঙাক্লোন থম্বা হায়বসি ইনৌ নৌবা নত্তে। মণিপুরদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা অখন্নবা চৎনা কাংলোন শেমদুনা মীতোপ চংবা য়েংশিনবগী নিয়ম লৈরকই। মীতোপ অমনা মণিপুরদা চংবা মতমদা পাস পীবগী নিয়ম লৈরম্বদু ইং ১৯৪৯দা মতমদুগী চিফ কম্মিসন্নর হিম্মত সিংহনা ককথৎপদগী চৎনখদবনি। মণিপুরদা মতমদুদা চৎনরম্বা চৎন–কাংলোন অদু মখা তানা চৎনহল্লু হায়বসু গভর্নমেন্টনা য়াদে। ইন্দিয়াগী ষ্টেট খরদা চৎনরিবা ইষ্টর্ন বেঙ্গল ফ্রন্টিয়ার এক্ট মণিপুরদা চৎনহল্লু হায়বসু য়াদে। হৌখিবা চহীদা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা বিল অহুম অদুসু চৎনবা য়ানি য়ারোই হায়বা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা থমজিল্লি।

ষ্টেট এসেমব্লিনা পাস তৌখিবা বিল অদু চৎনবা য়ারোইদবগী মরম লৈরগনা গভর্নমেন্টনা খঙহন্দ্রিবা করিগীনো। লৈবাক্কি চৎন–কাংলোন (কন্সটিট্যুসন)না য়াদে হায়রগা বিল অদুগী অয়াবা পীরক্ত্রবসু তুমিন্না লৈফম থোকপ্রা। চৎন–কাংলোন হায়বসি শেমদোক শেমজিন তৌবা শুকয়া হেক য়াদে হায়বা লৈব্রা হায়বসি হংলি। ইন্দিয়াগী চৎন–কাংলোন (ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন) অসি কয়ারক শেমদোকখিবা লৈরবনি। আইনগা মীয়াম হিংবা নত্রগা শীবগা করম্বনা ফবগে।

ষ্টেটসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মথৌ অসি এসেমব্লিদা বিল পাস তৌখ্রে হায়রগা হেক্তা লোয়রব্রা। বিল পাস তৌবা লোইখ্রবা মতুংসিদা এম পি (মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট), এম এল এ (মেম্বর ওফ লেজিসলেটিব এসেমব্লি) অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং তুমিন্না লৈশিনবগী মরম করিনো, তুমিন্না লৈশিনফম থোকপ্রা।

মমাং চহীগী আগষ্ট ২৯দা জে সি আই এল পি এস অমদি মণিপুর গভর্নমেন্টগী মরক্তা য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়রগা ঙসি ফাওবা তুমিন্না লৈশিনলিবগী মরম্না করিনো। য়ানখিবা ৱাফমশিংদুগী মনুংদা মণিপুরদা লৈবা মীতোপকি অপুনবা মীশিং কয়ানো হায়বা ময়েক শেংনা তাকপা রিপোর্ট পুথোকপা,

... মখা লমায় ৫দা

For advertisement please contact: #8731815660, e-mail: sanaleibak.ads@gmail.com, Circulation helpline: # 8119919501